## মালেমগী অঙকপশিং

# কোলোমস ওফ রোদস



কনাগুম্বনা ন্যু য়োর্ক সিটি হার্বরদা চৎলুবা তারবদি মখুৎ নাম্মনা লাইরিক পায়বা অদুগা অতোপ্পা মখুৎ নাম্বনা মৈরা পায়বা নুপী অমগী নীংথিজরবা মুর্তি অমা শোয়দনা উবা ফংগনি। "মোদর্ন কোলোসস" হায়না খঙনবা ফুট ১২০ লোম ৱাংবা মুর্তি অদু "ষ্টেচ্যু ওফ লিবর্টি" হায়নসু খঙনৈ।

য়েংবদা পুক্লিং হূনা ফজরবা মুর্তি অসি মতম অমদা ফ্রান্সনা অমেরিকাদা খুদোল তমখিবনি। তশেংবদি মতম অমদা রোদ্স আইলেন্দগী মী চিনবা হিথাংফম অমদা খিল্লম্বা মুর্তি অমগী মতৌ তল্লগা অনৌবা মুর্তি অসি শাখিবনি।

ষ্টেচ্যু ওফ লিবর্টিগী মতৌগুম "কোলোসস ওফ রোদ্স" হায়না খঙনবা মুর্তি অসিসু নীংতম্বগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা ওইনা শাখিবনি।

মমাঙঙৈগী মতমদা রোদ্স আইলেন্দ অসি য়াম্না মরু ওইবা লল্লোন-ইতিক্কী মফম অমা ওইনা লৌনরম্মী। এজিয়ন সীগা মেদিটরেনিয়নগা শন্নফম মতোলদগী খা নোংচুপ লোমদা লৈবা আইলেন্দ অসিগী কোনুংসু রোদ্স অদুমক কৌই।

আইলেন্দ অসি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ ৩৫৭ তা হেলিকার্নাসসকী মোসোলসনা খুদুম চনখি। তুংদা অলেকজেন্দর দ গ্রেটনা অমুক লৌশিনখি। অলেকজেন্দরনা চহী য়াম্না নৌনা শিখ্রবা মতুংদা মহাক্কী জেনরেলশিংনা ফম মুন্নরদুনা অমগা-অমগা খুৎ থোক্ল বা হৌরকখি।

কাইনথংদা Ptolemy, Seleucus অমদি Antigous কৌবা জেনরেল অহুম্না অলেকজেন্দরগী মরল-মথুমশিং য়েন্নবা হায়না য়ানখি। লন-থুম অমদি লম পুম্নমক য়েন্থোক্লবদা ইজিপ্টপু Ptolemy গী শরুক ওইনা থুংখি। Ptolemy বু রোদ্সতা লৈবা রোদিয়নশিংনা সপোর্ট তৌরুবগীদমক Antigous না মচানুপা দেমিট্রিয়সতা রোদ্স খুদুম চন্নবা য়াথং পীখি।

দেমিট্রিয়সনা লান্মী ৪০,০০০ গা লোয়ননা রোদ্সতা লান্দাখি। অদুবু অৱাংবা অমসুং অকনবা পল অমনা পুমকোয় কোয়না খাজিনবা মরম্না সহর অদুদা পাক হেক চঙবা ঙম্লমদে। মখোয়না অশাংবা কৈরাক্লুম্বা শীজিন্নরগা পল লানশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা চহী অমরোম হৌখিরম্মী। মতাংদুদা ইজিপ্টতগী রোদ্সকী মতেং পাংনবা লান্মী কয়ামরুম থুংলাখি। লানফম অদুদা দেমিট্রিয়স মায়থিখি।

রোদ্সকী মীয়াম্না লানঙম ফীরাল থেৎপগী হরাওবা ফোঙদোকপা ওইনা হেলিওস কৌবা লাইগী অচৌবা মুর্তি অমা শাখি। ফুট ১১০ ৱাংবা মুর্তি অদু শাবদা চহী ১২ রোম চঙখি।

ষ্টেচ্যু ওফ লিবর্টিগা হাইরপ মান্নবা মওংদা য়োৎ টন ৯ অমদি শেঞ্জেং টন ১৫ শীজিন্নরগা মুর্তি অদু শাখবনি। মুর্তি অদুগী মনুংদা নুঙগী কোলম কয়ামরুম য়াওই। মদুনা য়ুম্বী মখোঙ ওইনা শীজিন্নবনি।

অরিবা মতমগী ওইবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুং চল্লবা "কোলোসস ওফ রোদ্স" অসি চেরেস কৌবা রোদিয়ন স্কলপ্টর অমনা দিজাইন তৌবনি। লাইবক থীবদি মহাক থবক লোইদ্রিঙৈদা শিখিবনা হাল্লম্মী। ৱারী অমগী মতুং ইন্না মুর্তি অদু শাবা লোইরমদাইদা কনাগুম্বা খরনা অশোয়বা শরুক অমা পুথোরকপদগী ইকাইবনা হেনমনখিবনা চেরেস মশা মথনতা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখি।

মুর্তি অদু চহী ৫৬ রোম হার্বরগী চঙফম মপাদা খিন্দুনা থল্লম্মী। খৃষ্টতগী মমাঙ ২২৬ তা নোংমা রোদ্সতা অকনবা য়ুহার হাবগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা মুর্তি অদু নীংখায়রক্তুনা মচেৎ-মচেৎ তানা কায়খি।

মতমদুদা ঈজিপ্টকী নিংথৌ টোলেমি অহুমশুবনা অচঙবা পৈশা পুথোক্তুনা মুর্তি অদু অমুক হন্না শেমগৎচগে হায়বদা রোদ্সকী মীয়ামনা য়াখিদে। তরেৎশুবা চহীচাদা অরবশিংনা রোদ্স খুদুম চনখবগা লোয়ননা মুর্তিগী মচেৎ মকায়শিং অদু হোন্দুনা পুখি। মচেৎ-মকায়শিং অদু হোনবদা উট ৯০০ লোম শীজিন্নখি হায়রি।

কোলোসসকী মরমদা মরুওইবা খরা ঃ

লৈফম ঃ রোদ্স আইলেন্দ (অনৌবা মতমগী গ্রীস)

শাখিবা মতম ঃ খৃষ্টতগী মমাঙ ২৯২ দগী ২৮০ ফাওবা।

মরম ঃ লান ঙম্বগী হরাওবা ফোঙদোকপা ওইনা শাখিবা।

মাঙ তাকখিবা ঃ খৃষ্টতগী মমাঙ ২২৬ তা য়ুহার হাবদা অমাঙ-অতা থোকখি।

অৱাংবা ঃ ফুট ১১০ (মিটর ৩০) ৱাংই।

শাখিবা পোৎচঙ ঃ য়োৎ অমদি শেঞ্জেংনা শাবা।

কোলোসস ওফ রোদ্স অমুক হন্না শাগৎনবগী মতাংদা কয়ারক হন্না খন্নখি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০০৮ দা অমুক হন্না মুর্তি শাগৎনবা ৱারেপ লৌখি। ইষ্ট জর্মনিগী আর্টিষ্ট জর্ট হোফনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শাগদবা মুর্তি অদু হান্নগী মুর্তিদগী শরুক অহুম হেন্না ৱাংগনি অমসুং নুমিদাংগী মতমদা ইনোভেটিভ লাইট শো অমগী মতেংনা ৱারী কয়া লীগদৌরি।

## মপুং ফানা তুম্বা য়াদবগী অনাবা - ইন্সোমনিয়া

ইন্সোমনিয়া হায়বসি পাক হেক তুমথবা য়াদবা, য়াম্না তোয়না মীকপ থোককনবা অমসুং মীকপ থোল্লগা অমুক তুমথবা য়াদবগী অনাবা মখল অমনি। খুদোংচাদবা অসি মতম শাংনা মায়োক্লরবা মীওই অদু হকচাং শোকচিল্লকপগা লোয়ননা পুক্লিং ৱাখলগী অনাবা ওইরকই। খুদোংচাদবা অসি চহী মতাং অমদা হেক্তা মায়োক্লবা য়াই। অদুবু অয়াম্বা মতমদা অহল ওইরবা মীওইশিংনা হেন্না মায়োক্লে।

কনাগুম্বা খরদি মতম খরখক খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরম্লগা মথন্তা ফজখি। অদুবু মীওই খরদি মতম শাংবা অনাবা অসিগা লোয়নদুনা লৈহৌই। মদুনা মরম ওইরদুনা য়াম্না থুনা কাউগনবা, ৱাখল নুংঙাইতবা, খোয়রাং খোয়শাওনবা অমসুং হার্টকী অনাবা ওইহল্লকই।

কনাগুমবনা তুম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লবা মতমদা তুম্নবা গুলি হেক্তমক চাশিনবগী হৈনবী থম্মী। মসিনা মতম খরখক অৱাবা কোকহনবা তারবসু মতম শাংনা তুম্নবা গুলি চারবদি খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকই।

ট্রান্সিয়ন্ট, এক্যুট অমদি ক্রোনিক হায়দুনা ইন্সোমনিয়াগী মখল খরা খায়দোকপা য়াই। চয়োলদি ফাদনা নুমিৎ খরনিখক তুম্বা য়াদবগী থৌওংবু ত্রান্সিয়ন্ট ইন্সোমনিয়া কৌই। মসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমদি অতোপ্পা অনাবা অমা লৈবা, তুম্ফম ওন্নবা, তুম্বা মতম শোয়বা অমসুং কা হেন্না ৱাখল নুংঙাইতবা অসিনচিংবনি।

থা অমগী ময়াদা তুম্বা য়াশিল্লক্তবা নৎত্রগনা মপুং ফারক্তবা তারবদি এক্যুট ইন্সোমনিয়া হায়না খঙনৈ। থৌওং অসি মায়োক্লরবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা তুমশিৎ ইফা ফাদবগুম মশা চোকথগনি অমসুং মপুং ফানা তুমদে হায়না মশানা খঞ্জগনি। এক্যুট ইন্সোমনিয়াবু শোর্ট-টর্ম ইন্সোমনিয়া নৎত্রগা ষ্ট্রেস রিলেটেদ ইন্সোমনিয়া হায়না খঙনৈ।

থা অমা হেন্না মপুং ফানা তুম্বা য়ারক্তবা তারবদি ক্রোনিক ইন্সোমনিয়ানি। অয়াম্বা মতমদা হকচাংদা অচৌবা অশোয়বা অমা লৈরবা মতমদা থৌওং অসি ওইহল্লকই। মরু ওইনা ষ্ট্রেস হোর্মোন নৎত্রগনা সাইটোকাইন চাং ৱাংবা মীওইশিংনা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লগল্লি। হকচাং ইচোক চোকথবতা নত্তনা মীৎতা মশেল-মরাং পংউদা উবা অমসুং ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্লক্তবা মরম্না ক্রোনিক ইন্সোমনিয়া অসি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই।

কনাগুম্বা মীওই অমা ফমুংদা তুম্বা চঙলবা মতুংদা ফনা কুইনা তুমথবা য়াদবদগী তোয়না য়াওনবা, মীকপ থোরক্লগা অমুক তুমথবা য়াদবা, তুম্বা হৌগৎলকপদা হকচাং ইচোক চোকথবা, নুংথিলদনা উইবা অমসুং খোয়রাং খোয়শাওনবা তারবদি মীওই অদু ইন্সোমনিয়া নারে হায়না লৌবা য়ারে।

লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরমদি মতম শাংনা সাইকোএক্টিভ দ্রগ (ষ্টিমুলেন্ট) শীজিন্নবা; কেফিন, নিকোটিন, কোকেন, এম্ফিটামিন নৎত্রগা য়ু কা হেন্না থকপা; মতম শাংনা চৈনাচেখাল ফাথনবা হীদাক চারম্বদগী খংতোক তোকপা; মমাঙদা থোরাজিক সর্জরি তৌখিবা; হার্টকী লায়না লৈবা; নাতোন ফুনবা; হোর্মোনগী খল কায়রকপা; পুক্লিং ৱাখলগী অনাবা লৈবা অমসুং অতৈ অনাবা মখল খরনি।

ইন্সোমনিয়া লায়েংবা মতমদা দোক্তরশিংনা মতম শাংনা তুম্নবা হীদাক পীজবা খক তৌদে। তুম্নবা হীদাক মতম শাংনা চাবনা হীদাকশিংদুদা লাইচুরক্লবগী মরম ওইহনবদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা খুদোংচাদবা কয়াসু ওইহল্লকই। অহানবদা অতৈ অতোপ্পা অনাবশিং খুদম ওইনা পুক্লিং ৱাখলগী অনাবা, নিংশা শ্বর হোনবগী প্রোব্লেম অমদি মতম শাংনা লোয়নদুনা লাক্লবা অতৈ অতোপ্পা লায়না লৈবরা হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি।

ইন্সোমনিয়া ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী অহানবা অমসুং মরু ওইবা খোঙথাংদি মতম চানা তুম্বা চঙবা অমসুং মতম চানা হৌগৎপা হায়বসিনি। তুম্বা চঙগদবা ঙাইহাক ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদা কোফিনচিংবা কেফিন য়াওবা মহী অমত্তা থক্লোইদবনি। হকচাং শাজেন তৌবা হায়বসি ইশা ইউ ফহনবদা নত্তনা তুম্বসু নুংঙাইহল্লি। অদুম ওইনমক তুল্লমদাইদদি হকচাং শাজেল তৌরোইদবনি। ফমুংবু তুম্বদখক শিজিন্নগদবনি। ফমুংদা লাইরিক পাবা নৎত্রগনা টেলিভিজন য়েংবা তৌরোইদবনি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# পাখং মচাশিংনা কমদৌনা ফীজেৎ লৈতেংগদগে



ইনখৎলকপা মতম হায়বসি মীনসু লাইনসু কল্লকপা চহী মতাংনি। হায়রিবা চহী মতাং অসিদা শেৎতোক-চাথোরকপা খুদিংমক ইপক্তা পকচৈ। নুপামচাশিংনা লৌখৎপা য়াবা মকে শেন্বগা মরী লৈনবা থৌরাং কয়ামরুম লৈ।

পাখংমচাশিংনা টি-সার্ট নত্রগা ফুরিৎ লীৎপা মতমদা হকচাংগী সাইজগা চান্নবা খনগদবনি। কা-হেন্না চাউবা নত্রগা কা হেন্না পীকপা ফুরিৎ লীৎপনা য়েংবদা মরিং মরাংবা ওইনা উহল্লি। টি-সার্ট অমসুং পোলো সার্টশিং অসি নুমীৎ খুদিংগী লীৎপা য়াবা ইচান্দা চান্নবা ফুরিৎ মখল ওইবা তারবসু মতাং মতমগী মতুংইন্না থবাক খায়বা, কুদাম পানবা ফুরিৎ লীৎপা মথৌ তারকই। লীৎকদবা ফুরিৎকী মচু খনবদা ইশা ইশাগা চান্নবা খনবা মথৌ তাই। কনাগুম্বা অমদা পকচবা মচু মীপুম খুদিংমক্তা লোইনা পকচগনি হায়বা করিসু লৈতে।

জীন্স হায়বসি ইনখৎলকপা নুপামচাশিংগীদি ইচান্দা চান্নবা খোঙ্গ্রাওনি। জীন অমা শেৎলগা টি-সার্ট অমা লীৎপা মতমদা য়েংবা নুঙাইবগা লোয়ননা কোয়বা লাঙবা চৎপা অমদি থৌদোক ৱাথোক অয়াম্বদা চান্নে। অদুবু ফজৈ, পকচৈ হায়দুনসু অহল লমন য়াম্না তীনবা থৌরমশিংদা জীন শেগায়বা অমা শেৎলগা টি-সার্ট অমা লীৎপদা মরিং মরাংবা ওইনা থোক্কদবা মরম্না থৌদোক ৱাথোক অমদি মতাং মতমগী মতুংইন্না ফীজেৎ লৈতেংসু হোংবা মথৌ তাই।

ফীজেৎ লৈতেংগী মচু খনবদা ইশা ইশাগা চান্নবা মদু খনবসু য়াম্নমক তঙাইফদে। খুদম ওইনা হায়রবদা ফজৈ হায়দুনসু অশংবা মচুগী ফুরিৎ অমা লীৎলগা অশংবা মচুগী খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলবদি ফাগী তাদুনা তোক্কনি। অদুবু অশংবা ফুরিৎ লীৎলগা অমুবা খোঙ্গ্রাও অমা শেৎলবদি য়েংবদা ফজগনি। মরম অদুনা মতাং মতমগী মতুংইন্না ইশা ইশাগা চান্নগদবা ফীজেৎকী মচু খনগদবনি।

ইনখৎলকপা মতম হায়বসিমক্তবু মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজদবা মমা-মপানা নাওয়োক নাওকোনবা চহী মতাং ওইবনা ফিজেৎ লৈতেংদা কা হেন্না চাদিং তৌবা ঙমজদে। মরম অদুনা শেল ইচঙ চঙদনা য়েংবদা নুঙাইগদবা মওংদা ইশা ইশাগা চান্নগদবা ফিজেৎ খল্লগা লৈতেংগদবনি।

চান্নবা ফীজোল অমসুং মচু খনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অহানবা খোঙথাংনি। খোঙ্গ্রাও নৎত্রগা জীন শেৎপা মতমদা খোইদৌ মপাদগী খরা খজিক চথুরগা শেৎকদবনি। ফুরিৎকী ওইনদি ইশাগা চান্নগদবা কুদাম য়াওদবা টি-সার্ট নত্রগা পোলো সার্ট অমা লীৎপা য়াই। তৌবতবু কা হেন্না চাউহনবদি তৌরোইদবনি। হেন্না ফজনা উহন্নবগীদমক অয়াকপা মচুগী ভেষ্ট, স্বেটর নত্রগা কার্দিগন অমা লীৎশিনবসু কায়দে। ইচম চম্না অয়াকপা মচুগী স্বেটর অমা লীৎশিনবনা ফীজেৎ লৈতেংগী ফজবা হেনগৎহল্লি।

তোঙান তোঙানবা এসেসরি পার্ট কয়া হাপচিল্লগা গাড়ীগী ফজবা হেনগৎপগুম মীওইবদসু এসেসরিশিং হাপচিনবা য়াই। খুদম ওইনা তুপী মওং তাবা অমা উপশিনবনা য়েংবদা ফজনা উহল্লি। অদুম ওইনমক ফোর্মেল দ্রেস শেৎপা মতম নত্রগনা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা তুপী উপ্পাদি চুন্নদে। ফোর্মেল দ্রেস শেৎপা মতমদা শউনগী ফোর্মেল ওইবা খোঙউপ তোংগদবনি। অদুবু জীন শেৎপা মতমদদি স্নীকর তোংবনা হেন্না চান্নে। মরম অদুনা ইশা ইশাগা চান্নবা ব্রান্দগী স্নীকর অমমম তোংগদবনি।

## কমদৌনা য়ূমদা পিজা শেমগদগে?

চঙগদবা মচলশিং ঃ-

. লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং কপ অমা মখায়
. অকংবা য়ীষ্ট (কামখৎনবা) মকুপ চামচ অনী মখায়
. য়াম কপ অহুম মখায়
. ওলিভ ওইল চামচ অচৌবা অনী
. থুম চামচ মচা অনী
. চিনি চামচ মচা অমা
. চীজ খরা
. পানা শোইরবা চেঙ্গুম খরা
. মখোক অমদি মরূ লৌতোল্লগা পানা শোইরবা বেল পেপর
. ঙৌথোল্লবা শা মচেৎ-মচেৎ
. মনম নুংশিনবা তুলশিগুম্বা মনা খরা
. পানা শোইরবা তীলহৌ খরা
. পানা শোইরবা ওকশা

শেম-শাবা ঃ-

. ইলেক্ট্রিক মিক্সর অমদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংগা য়ীষ্টকা মিনিট ৫ রোম উংদুনা তোৎকনি। . মিক্সরদা মিক্সিং পেদল অমা এটেচ তৌরবা মতুঙদা ওলিভ ওইল, য়াম, থুম অমদি চিনি হাপচিল্লগা য়াম্না তপ্না-তপ্না উংবা। মথঙদা মিক্সিং পেদল অদু লৌথোল্লগা থাও (তোৎলবা মচলশিং) হূক অমনা মহুৎ শিঞ্জিনবা মিক্সর অমদি দাও হূক শীজিন্নদুনা তোৎলবা পোৎলমশিং অদু মওং মরিল তানা শেম্বা। পেৎমল্লবদি য়াম খজিক্তং চাইশিনবদা অকায়বা লৈতে। . মথঙদা ওলিভ ওইল পানা তৈরবা বাউল অমদা হাপ্লগা মথক-মখা ওনবীগনি অমসুং প্লাষ্টিককী ময়োম অমনা য়োমশিল্লগা পুং ১ গুম্বা ওভনদা হাপ্তুনা তপ্না-তপ্না মৈশা ফঙহনগনি। . প্লাষ্টিক্কী ময়োম লৌথোল্লগা অমুক হন্না অপা-অথা মওঙ-মরী তানা শেন্বীগনি। . মথঙদা টোমেটো সোস অমদি চীজ খরা অমসুং পানা শোইরবা চেঙ্গুম মশোই অমা অনীনা মথক্তা কূপশিনবীরগা মপূং ফারবা পিজা অমা ওইহনবীবা য়ারে।





Title: Water with Roses
By: Lanchenbi Yumnam
Class: II Sec : A Roll No. 11
School: K.V.S Langjing



Title: A Scenery
By: Khushi
Class: I Sec : Roll No. 26
School: Little Flower School



Title: Save Trees
By: Borish Y
Class: V Sec : Roll No. 2
School: Shishu Nistha Niketan



Title: Scenery
By: Rudeshowri Moirangthem
Class: V Sec : Roll No. 14
School: Heritage Convent



Title: Ball
By: Mangal E
Class: Nursery Sec: Roll No. 10
School: Planet Kids, Yaiskul



Title: Scenery
By: Th. Priyadashami
Class: II Sec: B Roll No.
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Anjelina
Class: II Sec : B Roll No.21
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Nivedita Sougrakpam
Class: III Sec : Roll No.
School: Heritage Convent